**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 18-05-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৮-০৫-২০২৪, থাংজা)**

--**সিগনেচর ট্যুন**--

**---অকাশবানি ইম্ফাল ঙাঙোম কিরননা পাউ পাজরি---**

--**অহানবদা মরুওইবা পাউ**--

১)    থৌবালদা লৈবা পি.ঐচ.ই.দিগী ওফিস হৌখিবা অহিংদা মৈনা তুমা চাকখ্রে।

২)    মালেমগী ম্যুজিয়ম নুমিৎ পালন ঙসি ইম্ফালগী মনিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়মগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোক্কনি।

**অমসুং**

৩)    ৫ শুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগী ভোট    খোম্বগী মতম ঙসি নুংথিল লোইরগনি।

--**ট্যুন**--

**থৌবাল(এল)ঃ** থৌবালদা লৈবা পি.ঐচ.ই.দিগী ওফিস হৌখিবা অহিংদা মৈনা তুমা চাকখ্রে হায়রি। ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী সোইবম বিনোইনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়- হৌখিবা অহিংগী পুং ১১ মকায় রোম তারকপা অদুৱাইদা থৌবাল পুলিস ষ্টেসনদগী মখারোমদা নেসনেল হায়ৱেদা মিতর ৫০০ রোমতমক চৎলগা লৈবা ওফিস অদুগী কা ৬ মক মৈনা চাকখিবনি। থৌদোক অদুদা ওফিস অদুবু সংলিবা চৌকিদার অশোই অঙাম য়াহৌদ্রে। মৈ চাকপগী পাউ ফংবদগী থৌবাল ফাইয়র সার্ভিসকী ফাইয়র তেন্দরশিং লাক্তুনা মৈ কনবগী থবক চথুখি। মৈ অদু মতৌ করমা চাক্লকখিবনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনা খঙবা ঙমদ্রবসু ইলেক্ত্রিক সোর্ট সরক্যুতগী হৌরকপা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

**ভিজিট(এল)ঃ** এন.সি.সি গ্রুপ হেদ ক্বাটরস ইম্ফালগী গ্রুপ কম্মান্দর ব্রিগেদিয়র এস.আর শর্ম্মানা ঙরাং থৌবালগী ৱাইখোম মণি গলর্স কলেজতা চৎতুনা নুপীমচা এন.সি.সি কেদেদশিংগা উন্নদুনা ৱারি শান্নখ্রে। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা ব্রিগেদিয়র শর্ম্মনা হায়- এন.সি.সি কেদেদশিংনা কোর্সশিং লোইশিন্দুনা সার্তিফিকেট পায়রবা মতুংদা ইন্দিয়ন আর্মী ,নেভি অমদি ইয়রফোর্সতা থবক চংবদা খুদোংচাবা কয়া পীরি। কলেজ অদুগী এন.সি.সি কেদেদশিংনা উৎপা এক্তিবিতি কয়াসু ব্রিগেদিয়র শর্ম্মনা য়েংখি।

**ম্যুজিয়ম (এল)ঃ** রাজ্যাগী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্তকী মখাদা লৈবা মনিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়মনা শীন্দুনা মালেমগী ম্যুজিয়ম নুমিৎ পালন ঙসি মনিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়মগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মীস্নর এম. জয় সিংহ অমসুং আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্তর কে. দিনামণি শরুক য়াগনি।

**ৱেদর(এল)ঃ** মনিপুরদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৩৪ গী মথক্তা লৈরি। রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ত এন্দ কাইমেট চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটতগী ফংবা পাউনা হায়- ঙরাংগী ওইনা নোনে জিলাদা সেলসিয়স দিগ্রি ৩৪.৭৪ য়ৌদুনা খ্বাইদগী শাবা ওইখি। চুরাচান্দপুরনা সেলসিয়স দিগ্রি ৩৪.২৪, ইম্ফাল ইষ্টনা সেলসিয়স দিগ্রি ৩৪.০৬ , বিষ্ণুপুর অমসুং ককচিংনা সেলসিয়স দিগ্রি ৩২.০৯ য়ৌনা শাখি। সেনাপতিনা সেলসিয়স দিগ্রি ৩১.৭৬ অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্টনা সেলসিয়স দিগ্রি ৩০.৩৬ য়ৌনা শাখি হায়রি ।

**অরুনাচল(এল)ঃ** অরুনাচল প্রদেশকী ইতানগরদা ঙরাং এক্সপোর্ট, প্রোমোসন কাউন্সিল ফোর হেন্দিক্রাফটনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা এক্সপোর্ট এৱার্নেস সেমিনর অমা পাঙথোকখ্রে।
দাইরেক্তোরেট জেনরেল ওফ ফোরেন ত্রেদকী নিরয়াট-বন্ধু স্কিমগী মখাদা মীয়াম্বু মীরমদা পোৎচৈ য়োনবগী মতাংদা ৱাখল তাহন্নবগী পান্দমদা সেমিনর অদু বাঙথোকপনি। স্কিম অসিনা মালেমগী কৈথেলদা লালোন ইতিক তৌনিংবা লন্নাই মীওইশিংনা অরাইবা মওংদা কমদৌনা লালোন ইতিক তৌগদগে হায়বগী মতাংদা মতেং পাংলি । থৌরম অদুদা অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**বেটমিনতন(এল)ঃ** বেঙ্কোক্তা চথরিবা দাইলেন্দ ওপন বেটমিন্তন টুরনামেন্ততা ভারতকী মপাং সতৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দি অমসুং চিরাগ সেতি সেমি ফাইনেল চংখে। ঙরাং ক্বাতর ফাইনেল মেটচ অমদা মখোয়না মালেসিয়াগী মপাং জোনেদি এরিপ অমসু রোইকিং য়াপবু ২১-৭, ২১-১৪ দা মাইথিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চংখিবনি। মদুগী মমাংদা ভারতকী অস্বিনি পোনাপা অমসুং তানিসা অমসুং ক্রাস্তোগী মপাংনা সাউথ কোরিয়াগী লি-য়ু-লিম অমসুং সিন-সিওং চানগী মপাংবু ২১-১৫, ২১-২৩, ২১-১৯দা মাইথিবা পীদুনা

সেমি ফাইনেল চংখ্রে।

অরোমদা, নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বাতর ফাইনেল মেটচ অমদা মৈরাবা লুৱাং মৈস্নাম থাইলেন্দগী ৱার্ল্ড নম্বর ৮ কুনলাবুট বিতিতসার্নগী মখুৎতা ১২-২১, ৫-২১দা মাইথি হৌরে।

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

**ইলেক্সনঃ** ৫ শুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগী ভোট খোম্বগী মতম ঙসি নুংথিল লোইরগনি। তাঙ্কক অসিগী ভোট লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা রাজ্য ৬ অমসুং য়নিয়ান তেরিতোরি অনিগী পুন্না লোক সভা কেন্দ্র ৪৯ দা ভোট থাদনগনি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হন্দক্কী জেনরেল ইলেক্সন অসিদা বি.জে.পিনা চাউনা মায়পাক্কনি হায়না ফোংদোকখ্রে। মুম্বাইদা ঙরাং পাঙথোকপা এন.দি.এগী মীখলগী রেল্লি অমদা শ্রী মোদিনা হায়- ইং ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিবু চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগীদমক মহাকা অয়ুক ,নুংথিল , নুমিদাং খাক্তনা লেপ্তুনা হোৎনরি। মহাক্কী মপুং ওইবা ৱাখল্লোনদি মীচম মীয়ামগী পুন্সি মহিং লায়থোকা অমসুং নুংঙাইনা লৈহনবনি। লৈবাক অসিদা শান্তি, চাউখৎপা অমসুং হেন্না ফবা তুংলমচৎ অমা পুরকবগীদমক ভোটরশিংনা মশিং য়ামা থোরক্তুনা ভোট থাদনবসু শ্রী মোদিনা ফোংদোকখি। ভারতকা মতম ইমান মান্না মনিং তম্বা ফংখিবা লৈবাক কয়া চাউখৎপগী লমদা মাংজিল থাবা ঙমখ্রে হায়না ফোংদোক্লদুনা মহাকা হায়- মমাংদা পাল্লম্বা সরকারশিংনা লৈবাক অসিগী তৌবা ঙম্বা শক্তিদা থাজবা থল্লমদবদগা ভারতনা শোণ্থহৌবনি। হৌখিবা চহি ১০ দা সরকারনা পায়খৎখিবা চাউখৎ থৌরাং কয়াগী মতাংদসু শ্রী মোদিনা য়েংশিনখি। অদুগী মমাংদা প্রধান মন্ত্রিনা চৈত্যাভুমিদা দোক্তর বাবাসহেব অমবেদকর অমসুং সবারকার সমরক্তা লৈবা স্বাটন্ত্রায়াবির বিনাইয়ক দামুদার সবারকরগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

**কেজ্রিৱাল ঃ** দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা ইনফোর্সমেন্ত দিরেক্তোরেটনা মহাকপু লিকর পোলিসি অমদা চেন্নে হায়দুনা ফাবগী মায়োক্তা থাংগৎলকপা পেতিসন অমগী রাই সুপ্রিম কোর্টনা রিজার্ব তৌদুনা থমখ্রে। জস্তি সনজিব খানা অমসুং দিপাঙ্কর দত্তানা মুখ্য মন্ত্রি অমসুং ইনফোর্সমেন্ত দিরেক্তোরেটকী উকিলশিংগী ৱা তারবা মতুংদা রাই অদু রিজার্ব তৌদুনা থমখিবনি।

আরবিন্দ কেজ্রিৱাল ইনফোর্সমেন্ত দাইরেক্তোরেটনা মার্চ ২১দা লিকর পোলিসি অমসুং মণি লোন্দরি কেসকা মরী লৈননা ফাখিবনি। মহাক মে ১০দগী জ়ন ১ ফাওবা লোক সভা মীখলগী কেম্পইন তৌন্নবা সুপ্রিম কোর্টনা বেল পীখিবনি।

**মোনসুনঃ খা** নোংচুপতগী হৌরকপা কুমগী নোং থা অসিগী অরোইবা শরুক্তা কেরলা য়ৌরক্লবা য়াই হায়রি। মেট ওফিসকী পাউনা হায়-কুমগী নোংগী মাঙওইননা কেরলাদা হৌখিবা নুমিৎ খরানিদগী হৌদুনা নোং তাবা হৌরে। ঙসিসু রাজ্য অদুগী জিলা অনি- মালাপুরম অমসুং ৱায়নদা নোং কন্না চুগনি হায়না ওরেঞ্জ এলর্ট লাউথোকখ্রে।

অতোপ্পা জিলা ১০ দসু য়েলো এলর্ট লাউথোকখ্রে। রাজ্য অদুগী মফম খরাদা ঙসি পুংদা কিলোমিতর ৫০গী চাং য়ৌনা নুংশিৎ শিৎলবা য়াই অমসুং অখাক অরাও য়াওনা নোং তারবা য়াই হায়নসু পাউ অসিনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

**ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক**

**হৌজিক হৈরাংখোংজম ভবন লৈরে--**

**-ভবন-**

**----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) থৌবালদা লৈবা পি.ঐচ.ই.দিগী ওফিস হৌখিবা অহিংদা মৈনা তুমা চাকখ্রে ।

২) মালেমগী ম্যুজিয়ম নুমিৎ পালন ঙসি ইম্ফালগী মনিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়মগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোক্কনি।

**অমসুং**

৩) ৫ শুবা তাঙক্কী লোক সভা মীখলগী ভোট খোম্বগী মতম ঙসি নুংথিল লোইরগনি।

**--পাউ লোইজরে--**

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

**থাগৎচরি-কিরন**

মনিপুরদা ফোংলিবা পাউচেশিংদা - মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাংগী মতাংদা দ ইন্দিু পাউচেগী ইদিতোরিয়েল লৈঙাকা য়ানিংদবা ফোংদোকপা , অমজ্না শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী থায়ৌং অমদি ঙারিয়ানগী থাম্রম তাঞ্জুল ভিলেজতা পাউমীশিংগা লৌমীশিংগা উন্নবগী পাউদম অমসুং সেকমাই এরিয়াদা কুকি মিলিটেনশিংনা লান্দরকপদা ভি.দি.এফ অমা শোকখিবগী পাউনা মরুওইনা ফোংনরি।

দ হিন্দু পাউচেনা মনিপুর লৈঙাকপু মিংচৎ থীহন্নবা হোৎনরে হায়না পাউনা সনা লৈবাক পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি। পাউচে অসিনা মনিপুরগীসু খঙলমদবা লাইবক থীবনি হায়না ষ্টেট গভর্নমেন্তনা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোল থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি। পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রে, মনিপুর মেল, মনিপুরি নিউজ, মোর্নিংবেল, সঙাই এক্সপ্রে ইংলিস অমসুং মনিপুরি ইদিসন অমসুং পিপলস ক্রোনিকেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

থামরাম তাঞ্জুল ভিলেজতা লম একর চামাগা মরফু তরুক্তা থাবা কিহোম মাং তাকখ্রে, লৈঙাক্কী মতেং ঙাইহৌরি হায়বা পাউ অসিনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমায়দা ে
ফাংলি । পাউ অসি হুইয়েন লানপাউদা থায়োং অমসুং থাম্রমগী কিহোম থারিবশিংনা কোল্ড স্তোরেজ অমা থমহন্নীংবগী অপাম্বা ফোংদোকরক্লি হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

কুকি মিলিটেনশিংনা মফম অহুমদা লান্দরকখ্রে , ভি.দি.এফ অমা শোক্লে হায়বা পাউ -নহারোলগী থৌদাংগী অনিশুবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন ওইরি।

পি.এম.জি.কে.এ.ৱাইগী মখাদা চীংগী লাইরবশিংদা ফংগদবা চেং সি.এ.এফ এন্দ পি.দিগী ওফিসিয়েল খরনা কন্ত্রেক্তরগা মান্নরগা ব্লেকতা য়েন্থোক্লে হায়বা পাউনা মনিপুর নিউজ পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মুভমেন্ত ফোর পিপলস রাইট ফোরম মনিপুরনা মনিপুর সরকারদা নারোলদা চেং য়োন্থোক্লম্বা সি.এ.এফ এন্দ .পি.দিগী ওফিসিয়েলশিংগী মথক্তা এক্সসন লৌখৎনবা ফোংদোকখিবা ৱাফম তমেংলোং টাইমস অমসুং গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মনিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়ম মোর্দন ম্যুজিয়ম ওনবগী থৌরাং তৌবগা লোয়ননা অথুবদা ম্যুজিয়ম অসিদা ভিজিতরশিংগী পুকিং চিংশিনবা ঙম্বা মফম অমা ওইরকপা য়ানা লৈরে হায়না পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুর ইদিসনগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি ।

ৱাৰ্ল্ড হায়পরতেন্সনগা মরী লৈননা মীওই লাখ ৪ লিশিং ২০ স্ক্রিনিং তৌবদা লিশিং ৬৪ গা ৮৫৬ ব্লদ প্রেসর ৱাংবা থেংনরে হায়বা নন কম্ম্যুনিকেবল দিজিস ষ্টেট নোদেল ওফিসর ডা: প্রেমচন্দ্রগী ৱাফম পিপলস ক্রোনিকেলগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি। --**কিরন-য়**